# ডিজল অমসুং পেট্রোলগী মমল কা হেন্না ৱাংখৎলকখ্রে, টেক্স হন্থবীনবা তকশিনখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০১ (এজেন্সি):

লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা ঙসি পেট্রোলগী মমল চহী মরিগী মনুংদা খ্বাইদগী ৱাংবা ওইখ্রে। ডিজলগী মমলসু খ্বাইদগী ৱাংবা ওইখি। পেট্রোল লিটর অমদা লুপা ৭৩.৭৩ অমসুং ডিজলগীনা লিটরদা লুপা ৬৪.৫৮ য়ৌখি।

মমাঙ চহীগী জুন থাদগী হৌরগা নুমিৎ খূদিংগী ওইনা থাউগী মমল লেপ্তুনা লাকখিবা ওইল কম্পেনি-শিংনা নোংমাইজিং নুমিৎতা থাউ লিটর অমদ পৈশা ১৮ হেনগৎহনখি। দিল্লিদা হৌজিক পেট্রোল লিটর অমগী মমল লুপা ৭৩.৭৩ য়ৌরে। কুমজা ২০১৪ গী ডিসেম্বর ১৪ মতুং তারকপদা মসিনা খ্বাইদগী ৱাংবা মমল ওইরি। মতমদুদা পেট্রোল লিটর অমগী মমল লুপা ৭৬.০৬ ওইখিবনি। ডিজলগীনা লিটরদা লুপা ৬৪.৫৮ ওইদুনা খ্বাইদগী ৱাংবা মমল ওইরে। মমাঙদা ফেব্রুৱারি ৭ তা লুপা ৬৪.২২ ওইখিবা অদুনা খ্বাইদগী ৱাংবা মমল ওইরম্লে।

ওইল মিনিষ্ট্রিনা মীয়ামদা থাউগী মমল হন্থনা ফংহনবা ঙম্নবগী পান্দমদা থাউদগী লৌরিবা টেক্স হন্থহনবা মথৌ তারে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। টেক্স লৌবগী চাং খ্বাইদগী ৱাংবা মরম্না খা এসিয়াগী লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ানা পেট্রোল অমসুং ডিজলগী মমল খ্বাইদগী ৱাংবা লৈবাক ওইরি।

ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা কুমজা ২০১৪ গী নবেম্বর অমসুং কুমজা ২০১৬ কী জন্যুৱারি থাগী ৱারেপ্তা মাপনলক থাউগী এক্সাইজ ড্যুটি হেনগৎহনখি। মালেমগী ওইনা শুংদোক্লিবা থাউগী মমল ৱাংখৎলকপা মরম্না টেক্স লৌবগী চাং হেনগৎহনখিবনি।

মতৌ অসুম্না মাপনলক হন্না টেক্স হেনগৎহনখ্রবা মতুংদা মমাঙ চহীগী ওক্টোবরদা থাউ লিটর অমগী মমল লুপা ২ হন্থহনখি। ষ্টেট খূদিংমক্তসু ভেল্যুএদেদ টেক্স (ভি এ টি) হন্থহন্নবা খঙহনখি। অদুবু শুপ্নগী ষ্টেট মরি - মহারাষ্ট্র, গুজরাট, মধ্য প্রদেশ অমদি হিমাচল প্রদেশতা এক্সাইজ ড্যুটি হন্থহনখ্রবসু অতৈ ষ্টেটশিংদদি টেক্স লৌবগী মওংদা থোইদোক্লা অহোংবা লৈখিদে। মমাঙ চহীগী ওক্টোবরদা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা এক্সাইজ ড্যুটি হন্থহনখিবনা মরম ওইরগা লুপা ক্রোর ২৬,০০০ মাঙজখি।

# আই এস আর ও অমদি কম্যুনিকেসন সেটলাইট জি সেট পাউ ফাওনখিদ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০১ (এজেন্সি):

ইন্দিয়ন স্পেস রিছর্স ওর্গনাই-জেসন (আই এস আর ও) না শগোলশেন নুমিৎতা থাগৎখিবা কম্যুনিকেসন সেটলাইট জি সেট-৬এ গা পাউ ফাওনখিদ্রে। রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না হৌজিকসু আই এস আর ওনা সেটলাইট অদুগা পাউ ফাওনবা ঙম্নবা থৌরাং কয়া লেপ্তুনা লৌখৎলি।

শগোলশেন নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪.৫৬ তাবদা শ্রীহরিকোটাদা লৈবা ছটিস ধৱন স্পেস সেন্টরগী অনীশুবা লোঞ্চ পেদতগী কম্যুনিকেসন সেটলাইট অদু জিওসিনক্রোনস সেটলাইট লোন ভেহিকল (জি এস এল ভি - এফ ০৮) শীজিন্নরগা থাগৎখিবনি। রোকেটনা পুখৎখ্রবা মতুং মিনিট ১৭ রোম লৈরগা কম্যুনিকেসন সেটলাইট অদু ওর্বিটতা মায় পাক্লা থন্বা ঙমখি।

আই এস আর ওগী চ্যেরমেননা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা টাইমস ওফ ইন্দিয়ানা হায়খি, লাক্কদৌরিবা থা মাপনগী মনুংদা আই এস আর ওনা অনৌবা মিসন তরা পায়খৎনবা পান্দম থল্লি। মরুওইনা স্পেস সাইন্স, কম্যুনিকেসন, নেভিগেসন, হায়-রিজোলুসন রিমোট সেন্সিং অমসুং হায় বেন্দ-ৱাইদ কা মরী লৈননা অনৌবা মিসন তরা পায়খৎলগনি। মথং থাদা অনীশুবা লুনর মিসন চন্দ্রয়ান-২ থাগৎনবা থৌরাং তৌরম্বদগী ওক্টোবর থা ফাওবা য়ৈথোক্লে হায়না আই এস আর ওনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। আই এস আর ওগী চ্যেরমেন কে সিবাননা হায়খি মদুদি অখঙ-অহৈশিংগী টিম অমনা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা চন্দ্রয়ান-২ থাগৎপগী থৌরাং ওক্টোবর ফাওবা য়ৈথোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর্স ওফিসতা ডিপার্টমেন্ট ওফ স্পেসকী ইন-চার্জ ওইনা লৈরিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট জিতেন্দ্র সিংহনা ফেব্রুৱারি ১৬ তা লাউথোকখিবনি মদুদি থা লৈবাক্তা থাগৎকদবা ইন্দিয়াগী চন্দ্রয়ান-২ এপ্রিল থাদা শোয়দনা থাগৎলগনি। কিলোগ্রাম ৩,২৯০ লুম্বা চন্দ্রয়াননা থা লৈবাক্কী অকোয়বদা কোইনা পাইবগা লোয়ননা লুনর টৈপোগ্রাফি অমসুং মিনরেলোজিনচিংবগী মতাংদা মরু ওইবা ইনফোর্মেসন খোমজিনগনি হায়রি।



# চাইনা অমদি ম্যান্মারগা লোন্নবা ঙমখৈদা ঙাক-শেলগী থৌরাং কনখৎহনখ্রে

*ৱালোং, এপ্রিল ০১ (এজেন্সি):*

*চাইনাগা লোন্নবা অরূনাচল প্রদেশকী ঙমখৈ ঙাক্লিবা লান্মী মশিং হেনগৎহনখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়া, চাইনা অমসুং ম্যান্মারগী তাইনফমদা পেট্রোলিং চৎপগী থৌওং হেনগৎহনখ্রে।*

*মকোক থোংবা আর্মি ওফিসল অমনা এজেন্সিদা হায়খি, লৈবাক অহুমগী লোন্নবা ঙমখৈদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোরকপা য়াই হায়না চিংনবদগী ঙাক-শেলগী থৌরাং কনখৎহনখিবনি। ডোক্লামগী থৌদোক মতুং তারকপদা ইন্দিয়ানা লৈবাক অহুমগী লোন্নবা ঙমখৈদা লান্মী মশিং য়াম্না থমদুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌরে হায়না সিনিয়র আর্মি ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়খি, চাইনিজ লান্মীশিং ঙমখৈদা তোয়না চঙলক্তবা তারবসু ঙমখৈ মনাক নক্না লম্বী শেম্বগী থবক অমা পায়খৎপা থেংনরে।*

*সিক্কিমগী ডোক্লামদা লৈবা লৈবাক অহুমগী তাইনফমগী হেক মতুং তারকপদা খ্বাইদগী মরুওইবা ঙমখৈগী শরুক ওইরিবা চাইনা অমসুং ইন্দিয়াগী ঙমখৈদা চাইনিজ লান্মীশিংনা শেমগৎ-শাগৎপগী থৌরাং কয়া লেপ্তুনা লৌখৎলক্লি। হায়রিবা মফম অদু ইন্দিয়াগী নোংপোক ইথং থংনা লৈবা ৱালোং টাউনদগী কিলোমিটর ৫০ রোম লাপ্না লৈ।*

*চৈরকসিদা, অরূনাচল প্রদেশকী লাইন ওফ একচ্যুএল কন্ট্রোল (এল এ সী) মনাক নক্না চাইনিজ লান্মীশিংনা শেমগৎ-শাগৎপগী থৌরাং কয়ামরুম লৌখৎপা থেংনখ্রে। মরুওইনা পীপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ) গী অনৌবা কেম্প অমা শাগৎলকপগা লোয়ননা অতৈ অতোপ্পা য়ূম কয়ামরুমসু শাগৎলক্লে হায়রি।*

*অরূনাচল প্রদেশকী অঞ্জু ডিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা কিবিটু টাউনদগী পংলাপ লাপ্তুবা মফমদা চাইনিজ লান্মীশিংনা শেমগৎ-শাগৎপগী থৌরাং লৌখৎলকপনি। ছোর্স অমা পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়, সর্ভিলেন্স ইক্বিপমেন্ট য়াওবা চাইনাগী টেলি-কম্যুনিকেসন টাৱর অমা ঙমখৈ মনাক্তা শেমগৎলকপা থেংনরে। মমাঙ চহীগী জুন ১৬ তগী হৌরগা লৈবাক অনীগী লান্মীশিংনা ডোক্লামদা নুমিৎ ৭৩ মুক্নবগী থৌদোক থোকখ্রবনি।*

*চাইনিজ লান্মীশিংনা ঙমখৈ মনাক নক্না লম্বী শেমগৎলকপদা অথিংবা পীরুবদগী নাকল অনী মুক্নবগী থৌদোক থোকখিবনি।*

*ডোক্লামদা থোরকপা য়াবা থৌদোক পূম্নমক চপ চানা মায়োক্লনবা শেম-শারে হায়না ডিফেন্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারমননা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। চাইনিজ প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা য়েক্লবগা লান্থেংননবা থৌরাং তৌবা লোইরে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা ডিফেন্স মিনিষ্টরগী ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি। ঙমখৈদা করিগুম্বা চাইনানা অকায়বা থোকহন্নবা হোৎনরক্লবদি য়ূম্লোন্নবা লৈবাক অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লবগী ফিভম লাকপা য়াই হায়না আর্মি ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।*

# ‘রোহিট ভেমুলা লৈখিদবগী লমন খুম্নবা মহৈরোয়শিংনা ভি সী হাৎনবা হোৎনখি’

হায়দ্রবাদ,এপ্রিল ০১ (এজেন্সি):

দলিত রিছর্স স্কোলর রোহিট ভেমুলা লৈখিদবগী লমন খুম্বা ওইনা হান্নগী মহৈরোয়শিং হায়দ্রবাদ সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সলর ডো. পি অপারাও হাৎনবা হোৎনরম্লে হায়না ষ্টেট পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

অন্ধ্র প্রদেশ পুলিসকী রিপোর্ট অমনা হায়খি, য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় ওইরম্বা অঙ্কলা প্রদভিরাজ অমসুং চন্দন কুমার মিশ্রানা মাওইষ্ট পার্টিগা খূৎশম্নরগা ভাইস চান্সলর হাৎনবা হোৎনরম্বগী থৌরাং অমা খঙবা ঙম্লে। মীওই অনীমক বাষ্টারগী উমংদগী হল্লকপদা ভদ্রচলম-চেরলা রোদকী পিটচুকুলাপাদু জঙ্কসন মনাক্তংগী ফাখি। সী পি আই (মাওইষ্ট) কী টেলঙ্গনা ষ্টেট কম্মিটিগী সেক্রেটরি য়াপা নরায়ন এলিয়স হরিভুষন উনরুরগা হল্লকপদা মখোয় অনী ফাখিবনি।

হায়দ্রবাদকী কৃষ্ণ ডিষ্ট্রিক্টতগী রুদভিরাজ অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী হাওরা ডিষ্ট্রিক্টতগী মিশ্রা মার্ক্সিষ্ট-লেনিনিষ্ট-মাওইষ্ট আইদিওলোজিদা চেৎনা থাজবা মীওই ঙাক্তনি। রোহিট ভেমুলা লৈখিদবা য়াওনা য়ুনিভর্সিটিদা থোকখিবা তোঙান-তোঙানবা থৌদোক কয়া থেংনরবা মতুংদা মখোয় অনীমক লেফট পার্টিদা য়াওখি।

অহানবা থৌদাং ওইনা মখোয় অনীদা ভাইস চান্সলর হাৎনবা য়াথং পীরকখি। চহী অহুমগী মমাঙদা রোহিট ভেমুলা কৌবা মহৈরোয় অমা শিখিবগী মতাংদা লমন খুম্বা ওইনা ভাইস চান্সলর হাৎনবা খঙহল্লকখিবনি হায়রি।

হৌখিবা জন্যুৱারি থাদা মহৈরোয় অনীনা চেরলা অমসুং ভেনকটা-পুরমগী লোন্নবদা লৈবা উমং অমদা হরিভুষনগা উনদুনা য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় কয়া মাওইষ্ট লালহৌবগী ঈহৌদা য়াওহন্নবা থৌরাং লৌখৎখি। পূম্নমক অসি ওইদুনসু ভি সী হাৎনবা থৌরাং মায় পাকপা ঙমখিদে।

# পোৎলম খরা তাংখৎলগা খরনা হোংথরগনি

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০১ (এজেন্সি):

ফেবুৱারী ১ দা য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা পুথোকখিবা য়ুনিয়ন বজেট ২০১৮ গী মতুং ইন্না ঙসিদগী পোৎলম কয়ামরুম মমল হেনগৎখিবগা লোয়ননা পোৎলম খরগীনা মমল হন্থখ্রে।

মমল হেনগৎলবা পোৎলমশিং অদুদি ট্রক অমসুং বসকী রেদিয়েল টায়র; মপানদগী পুশিল্লকপা মোবাইল হেন্দসেট; মপান্দগী পুশিল্লকপা এল সী ডি/এল ঈ ডি/ও এল ঈ ডি টিভি পেনেল অমসুং টিভিগী পার্টশিং; পর্ফ্যুম, টৌইলেট ৱাটর অমসুং অকে অমৌগী পোৎলমশিং; ঘড়ী অমসুং সনগ্লাস; জেমষ্টোন অমসুং ডাইমন্দ; খোঙউপ অমসুং সিল্ক ফেব্রিক; ফ্রুট জুস; মপান্দগী পুশিল্লকপা ক্রেনবেরি; ওরেঞ্জ ফ্রুট জুস; ওলিভ ওইল অমদি গ্রাউন্দনট ওইল; রিফাইন ওইল অমসুং মপানদগী পুশিল্লকপা সনাগী পোৎলমশিংনি। মমল হন্থগদবা পোৎলমশিংনা সোলর টেম্পর্দ গ্লাস অমসুং কোচলিয়র ইমপ্লান্টকী রো মেটেরিএলনচিংবা পোৎলমশিং।

নেসনল হায়ৱে ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (এন ঐচ এ আই) না টোল টেক্সকী চাং চাদা ৭ হেনগৎহনখিবগা লোয়ননা নেসনল হায়ৱেদা গাড়ী তোংলগা চৎথোক-চৎশিন তৌবা অমসুং পোৎ-চৈ পুথোক-পুশিন তৌবগী মমল হেনগৎলগনি।

ইমপ্লোয়ীজ প্রোভিদেন্ট ফন্দ ওর্গনাইজেসন (ঈ পি এফ ও) না কোনশিনবা ইমপ্লোয়র অমসুং অনৌবা ইমপ্লোয়ীশিংগী নুংঙাইরবা পাউ অমা ওইনা ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা হায়খিবনি মদুদি অনৌবা ইমপ্লোয়ীশিংগী খূৎশুমলগী চাদা ১২ গভর্নমেন্টনা পুথোক্লগনি। হায়রিবা থৌওং অসি লাক্কদৌরিবা চহী অহুম ফাওবা চৎনগনি।

# জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা থোকখিবা থৌদোকশিংদা মিলিটেন্ট ১২, মীচম ১ শিখ্রে

শ্রীনগর, এপ্রিল ০১ (এজেন্সি):

খা থংবা কাশ্মিরদা থোকখিবা তোঙান-তোঙানবা খূৎ থোক্নবগী থৌদোক অহুমদা মকোক থোংবা কম্মান্দর অমা য়াওনা মিলিটেন্ট ১২ অমসুং মীচম অমা শিরে হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০১০-১১ দা কাশ্মির তম্পাক্তা লালহৌবগী ঈহৌ নৌনা কনখৎলকখ্রবা মতুংদা হন্দক্কী অসিনা নোংমা খক্তদা মিলিটেন্ট খ্বাইদগী য়াম্না হাৎপা ঙম্বা থৌদোক্লি। জম্মু এন্দ কাশ্মির পুলিসনা হৌজিক ফাওবদা লৈখিদ্রবা মিলিটেন্টশিংগী চপ চাবা মশক-মমিং খঙবা ঙমদ্রি।

অদুম ওইনমক পুলিস ওফিসল-শিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা মকোক থোংবা কম্মান্দর কয়া য়াওরম্বা য়াই হায়রি। সিক্যুরিটি ফোর্সেস অমসুং মিলিটেন্টশিংগী মরক্তা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্নরকপদগী খা থংবা কাশ্মিরদা লল্লোন-ইতিক তৌফম পূম্নমক থোঙ লোনখিবগা লোয়ননা শ্রীনগরদসু দুকান পূম্নমক থোঙ লোন্নখি। দ্রগাদদা থোকখিবা খূৎ থোক্নবগী থৌদোক লোইশিল্লে। অদুবু সোপিয়ান ডিষ্ট্রিক্টকী কাছদুরুদা চথুবা ওপরেসনদি মখা তানা চথুরি।

থৌদোক থোকফম অনীমক্তা মশিং য়াল্লবা মীয়াম থোরক্তুনা পুলিস অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সেস তম্না নুঙ লংশিল্লকপদগী খোঙজং চঙশিল্লক-খিবা মীয়াম তানখায়নবা হোৎনবদা মীচম অমা শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ৫০ রোম অশোক-অপন নংখি। মীওই ১০ মমিৎতা পেলেটগনগী মরূনা পানবদগী শ্রীনগরদা লৈবা হোস্পিটাল-শিংদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি।

ডিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস এস পি বাইদনা সোপিয়ানগী দ্রগাদ খুঙ্গংদা মিলিটেন্ট ৭ কী অশিবা হকচাং ফংখিবগা লোয়ননা লালহৌবা অমা হিংনা ফাবা ঙমখি হায়না ফোঙদোকখি। কাছদুরু খুঙ্গংদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মিলিটেন্ট অহুম হাৎখিবগা লোয়ননা আর্মি জৱান অহুম অশোক-অপন নংলে হায়না পুলিসকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

জম্মু এন্দ কাশ্মির পুলিস, আর্মি অমসুং সী আর পি এফকী অপূনবা স্পেসল ওপরেসন্স গ্রুপনা মফম কয়াদা থিব-হুম্বগী থবক চথুবদা লালহৌবশিংগা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্নরকখিবনি। কুমজা ২০১৭ তা গভর্নমেন্টতা লালহৌবগী ঈহৌ মরূ ফংনা মুথৎনবগী পান্দমদা ওপরেসন ওল আউট চথুখিবগা লোয়ননা চহী অদুদা মিলিটেন্ট ২১৩ হাৎপা ঙমখিবনি। অদুম ওইনমক ঙমখৈ ৱাংমদগী মিলিটেন্টশিং লোন্না চঙশিল্লকপগী থৌওং লেপ্তুনা চথুরকখিবগা লোয়ননা মমাঙ চহীদা মীওই ১২৪ তোঙান-তোঙানবা লালহৌলূপশিংদা য়াওখি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। পনবা য়াবদি, মমাঙ থাদা মিলিটেন্টশিংনা সী আর পি এফকী কেম্প অমদা এটেক চথুরকপদা জৱান ১ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ১ শোকখিবনি।

# সী বি এস ঈগী ৱাহংচে লীক ওইখিবা : মীওই অহুম নুমিৎ নীনি পুলিস কষ্টদিদা থম্নবা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০১ (এজেন্সি):

সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন (সী বি এস ঈ) না লৌবা ক্লাস টেন অমসুং ক্লাস টুয়েল্বকী ৱাহংচে লীক ওইখিবগী মতাংদা চেন্নবা মীওই ৩ পুলিস কষ্টদিদা নুমিৎ নীনি থম্নবা দিল্লিগী করকরদুমা কোর্টনা খঙহনখ্রে।

পাউমীশিংগা উনবদা দিল্লি পুলিসকী ওফিসল অমনা হায়খি, ৱাহংচে লীক ওইখিবগী মতাংদা ওজা অনী অমসুং ট্যুটর অমা ফারে। ফারবা মীওই অহুম্মক মখা তানা ৱাহং পাউহংবগী থবক চথুখিগনি। রিসাব অমদি রোহিট কৌবা ওজা অনী অদু আউটর দিল্লি এরিয়াদা লৈবা স্কুল অমগী ওজা ঙাক্তনি। মখোয় অনীমক ঙসি অয়ুক ফাখিবনি।

বাৱানাদা লৈবা টোকির কৌবা কোচিং ইনষ্টিট্যুটকী মপু অমসু ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা ফারে। ওথোরিটিশিংনা গুগলগী মতেং লৌরগা খ্বাইদগী ইহান হান্না ঈ-মেল থাখিবা মীওই অদুগী খোঙ্গুল লীরগা ৱাথোক অসিদা মপূং ওইনা চেন্নবা মীওই অহুম ফাগৎপা ঙমখিবনি।

থাংজ নুমিৎতা গুগলনা ফোঙদোরক-খিবগী মতুং ইন্না ক্লাস টেনগী মহৈরোয় অমনা অপোকপা মপাগী আই ডি শীজিন্নরগা বোর্দকী চ্যেরপর্সনদা ৱাহংচে লীক ওইবগী পাউ পীরকখি হায়রি। অঙাং অদু মপাগা লোয়ননা কৌখৎলগা ৱাহং পাউহং চথুখি। হৌজিক ফাওবদা ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা মহৈরোয় ৫৩ অমসুং ওজা ৭ য়াওনা মীওই ৬০ হেন্না ৱাহং-পাউহং চথুবা লৈখ্রে।

সেন্ট্রেল দিল্লিদা লৈবা প্রাইভেট স্কুল অমগী ইকনমিক্সকী ওজা অমসুং কোচিং সেন্টর অমগী মপু য়াওনা চিংনবা মীওই ৩৪ ৱাহং পাউহং চথদুনা অচুম্বা লংলা-লংজিন পুথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলে হায়না দিল্লি পুলিসকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবনি।

মার্চ ২৮ দা ক্লাস টেনগী এগজাম থাখিবা মহৈরোয় লাখ ১৮ অমসুং মার্চ ২৬ তা ইকনমিক্স সবজেক্টকী এগজাম থাখিবা ক্লাস টুয়েল্বকী মহৈরোয় লাখ ৫ অমুক হন্না এগজাম থাহন্নবা থৌরাং লৌখৎলে।

নৌনা এগজাম পাঙথোক্কদৌরিবা ক্লাস টুয়েল্বকী মতম লেপখিবগা লোয়ননা ক্লাস টেনগী ওইনসু অথুবা মতমদা এগজামগীন নুমিৎ লাউথোক্লবা থৌরাং তৌরিবনি।

চৈরকসিদা, ৱাহংচে লীক ওইখিবগী থৌওং অদুবু সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা থোকহনখিবনি হায়না মরাল শীরদুনা মহারাষ্ট্র নবনির্মান সেনাগী প্রসিদেন্ট রাজ থাক্রেনা হায়খ্রে মদুদি মহৈরোয়শিংনা এগজাম অমুক হন্না পাঙথোকপগী ৱাফম অয়াবা পীরোইদবনি। সী বি এস ঈনা এগজামগী মতম লাউথোরক্লবসু মহৈরোয়শিংনা বোইকোট তৌফম থোকই।

সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা ৱাহংচেশিং চেকশিন্না থন্বা ঙমদ্রগা অমুক হন্না এগজাম পাঙথোক্তুনা মহৈরোয়শিংদা মরম চাদনা অৱাবা পীরে। মরম অদুনা অমুক হন্না এগজামগী মতম লাউথোরক্লবসু মহৈরোয়শিংনা বোইকোট তৌগদবনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, সী বি এস ঈগী চ্যেরপর্সন অনীতা করৱালনা হায়খ্রে মদুদি মহৈরোয়-শিংগী খুদোংচানবগীদমক সবজেক্ট অনীগী এগজাম অমুক হন্না পাঙথোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি। এগজাম পাঙথোক্কদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা ৱাহংচে লীক ওইহন্দুনা মহৈরোয়শিংদা খুদোংচাবা মায়োক্ল-হনখিবগীদমক অনিতা করৱালবু খুদক্তা মফম লৌথোক্কদবনি হায়না কোংগ্রেসনা তকশিল্লকখ্রে। হ্যুমেন রিছোর্স ডিভলপমেন্ট মিনিষ্টর প্রকাস জাবদেকরসু ফম থাদোকপগা লোয়ননা হায় কোর্টকী জজ অমদা ৱাহংচে লীক ওইবগী ৱাথোক অসি থিগৎহনগদবনি হায়নসু কোংগ্রেস অমদি অতৈ ওপোজিসন পার্টিশিংনা তকশিল্লকখি।

অমরোমদা সী বি এস ঈনা মথৌ চেকশিনখিদবগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা মহৈরোয় অমদি য়ুথ কোংগ্রেসকী লুচিংবশিংনা দিল্লিদা খোঙজং চঙশিনখ্রে। মহৈরোয় খরনা পার্লিয়ামেন্ট ষ্ট্রীট থিংজিনখিবগা লোয়ননা কোংগ্রেসকী ষ্টুদেন্ট ৱিং ওইরিবা নেসনল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া (এন এস য়ু আই) না য়ুনিয়ন হ্যুমেন রিছোর্স ডিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রি তম্না চঙশিনখি।



**PIS Brick Field (Mechanised)**

BRICK SAMPLE: PIS

ꯃꯇꯝ ꯃꯇꯝꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡ ꯏꯟꯅꯥ ꯃꯃꯜ ꯍꯣꯡꯒꯅꯤ (From time to time rate changeable)

| Class | Rate | Bricks | Amount | Gari Charge | Labour | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs. 12.50 | 2000 | Rs. 25000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 27600 |
| 1st | Rs. 12.50 | 1500 | Rs. 18750 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20750 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 2000 | Rs. 24000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 26600 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 1500 | Rs. 18000 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20000 |
| 1st Rej. | Rs. 12.00 | 2000 | Rs. 24000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 26600 |
| 1st Rej. | Rs. 12.00 | 1500 | Rs. 18000 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20000 |
| Peti | Rs. 11.00 | 2000 | Rs. 22000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 24600 |
| Peti | Rs. 11.00 | 1500 | Rs. 16500 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 18500 |
| 3rd | Rs. 8.00 | 2000 | Rs. 16000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 18600 |
| 3rd | Rs. 8.00 | 1500 | Rs. 12000 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 14000 |

Contact: 9862048579, 8787464898, 7085684539 (Sunday closed & Phone switch off)
Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.

HL-P/871/27/3-4/4(Alt.)

**SARASWATI COACHING INSTITUTE**
Chingmeirong Khongnang Karak, Imphal
ADMISSION OPEN
MEDICAL CRASH FOR NEET (UG) - 2018
Starting of Class : 15th March, 2018
CLASS XII Sc. FOUNDATION COURSE
Starting of Class : 5th April, 2018
Van Service Available
Managing Director
We nourish your future

HL-B/4525/11Mar-9April(Alt.)

**B.C.C. Manipur**
Under the guidance of BOSEM/COHSEM Estd. 1995
KAKWA ASEM LEIKAI, NEAR OIL PUMP
(The longest Coaching Centre in Manipur and 21 years service)
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSES FOR CLASS X, XI & XII Sc.
CRASH COURSE FOR NERIST 2018
Our selected students for last year



Class Start on: 18th March, 2018 (NERIST)
20th March, 2018 (X, XI & XII)
Class Timing: 6:30 am to 9:00 am (Morning)
4:30 pm to 7:30 pm (Evening)
Please Contact:
B.C.C. Manipur
(Elite Sr. Sec. Building)
Kakwa Asem Leikai, Burma
Hostel & Van Service facilities # 8731833072 / 7005684125

HL-B/4530/13/3-13/4